**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 13-04-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৩-০৪-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহগা উনদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

২) ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**অমসুং**

৩) ইন্দিয়ন রেলৱেজনা ইং ২০২৫-২৬ তা পি.এম গতি শক্তি নেসনেল মাষ্টর প্লানগী মখাদা কিলোমিতর লিশিং ৬ লোমগী রেল লম্বী শেমগৎপগী থবক চখ্থরি।

----

**গোবিন্দাস(এল)ঃ** রাজ্য গৃহ মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহগা উনদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা পাউদমখ্রে হায়রি। মহাক্কী সোসিয়েল মেদিয়া পোষ্ট অমদা শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-

উনবা অদুদা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং মরা চেৎপা ফিভম অমা লৈহন্নবা অমসুং মীয়াম অশোই অঙাম থোকহন্দনবগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

**কার্ফিয়ু(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

অমরোমদা, হৌজিক ওইরক্লিবা মনিপুরগী ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিসতা থল্লিবা অথিংবা অদু মখা তানা শাংদোকক্লি। রাজ্য সরকারগী কম্মিসনার কম সেক্রেতরি (হোম) এন. অশোক কুমারনা হিরম অসিগী মতাংদা থোকপা চেরোল অমদা হায়- জিলা মঙা- ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুরদা ভি.পি.এন সার্ভিস য়াওনা মোবাইল ইন্তরনেট সার্ভিস-দেটা সার্ভিসতা থল্লিবা অথিংবা ঙরাং নুংথিল পুং ২ দগী হৌরগা হয়েং ফাওবা শাংদোক্লি।

**পুলিস(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কাইবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতিগী ফোসকী মাইকৈদগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মণিপুর পুলিস অমসুং তোঙান তোঙানবা সি.এ.পি.এফ অমদি আর্মি য়ুনিটশিংদা থি হুম্বগী থবক চথুখি। থি হুম্বগী থবক অদু মপুং ওইনা ত্রোংলাউবী মখা লৈকাইদা ত্রোংলাউবী গুরুখানা, ত্রোংলাউবী মোইরাংপোকপা, গেলমোল, উয়ুং মখোংগী মফমশিংদা চথুখিবনি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা আইন কাইনা গারি থৌবশিং ফাদুনা চলান ককপগী থবক মখা চথুরি। থা অসিগী ৬ তগী ঙরাং ফাওবদা মণিপুর পুলিসনা আইন কাইনা গারি থৌবা মীওইশিং ফাদুনা চলান ৪৮ কক্তুনা শেল ওইনা

লূপা লিশিং ৪০ রোম খোমগৎখি।

**রেলৱেঃ** ইন্দিয়ন রেলৱেজনা ইং ২০২৫-২৬ তা পি.এম গতি শক্তি নেসনেল মাষ্টর প্লানগী মখাদা লূপা কোতি লাক্ষ ১.৫৩ চংনা রেলৱে কিলোমিতর লিশিং ৬ শেমগৎপগী থবক চত্থরি। রেলৱে মন্ত্রালয়না হায়-মমাঙগী শেনবা রেলৱে লাইন শেমগৎপগী চাং চাদা ১১০ হেনগৎলে। পাউ অসিনা হায়- থৌরাং অসিগী মখাদা অনৌবা লাইনশিং শেমগৎপা, হান্নদগী রেলৱে লাইন পাকথোকপা, মল্টি ত্রেক্কিং অমসুং অতৈ থবক থৌরমশিংগীদমক ২০২৫-২৬ তা রেলৱে প্রোজেক্ট ১০০ পায়খৎপদা অয়াবা পীখি। মসিনা লৈবাক অসি পুন্না চাউখৎমিন্ননবা, অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা অমসুং রেলৱে লাইন মফম খুদিংমক য়ৌহন্নবা পান্দম থল্লি। প্রোজেক্টশিং অসিনা রেল গারিশিং চত্থোক চৎশিনদা খুদোংচাহন্নবা, মতম চানা রেলৱে স্তেসনশিংদা থুংবা ঙমবা অমসুং পেসেঞ্জরশিংগী হেন্না খুদোংচাহন্নবা থৌরাং তৌরি। হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অসি মহারাস্ত্র, বিহার, ঝরখন্দ, মধ্য প্রদেশ য়াওনা লৈবাক অসিগী মরুওইবা সহরশিংদা শেমগৎকনি।

**মোদিঃ** বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নোংচুপ বেঙ্গলগী সিলিগুরি কোরিদোর অসি লৈবাক অসিগী রিজনেল অমসুং নেসনেল সেক্যুরিতিগী য়ামা মরুওইবা অমনি। মসিগী য়েংলগা কেন্দ্রনা কোরিদোর অসি অশোই অঙাম থোক্তনবা থোরাং কয়া লৌখৎলি। নোংচুপ বেঙ্গলগী সিলিগুরিদা লৈবা কৌৱাখালিদা ঙরাং মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা রাজ্য অদুদা সরকার পায়রিবা ত্রিনামুল কংগ্রেসনা কোরিদোর অসি থিংজিন্নবা অমসুং অৱাং নোংপোক লমদমগী তোখাই তাহন্নবগী ৱাফম শৌগৎলি হায়না মরাল শিখি।

চা বগানগী শিন্মীশিংদা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা, মখোয়গী শিক্ষা অমসুং হকশেলদা অখন্নবা মীৎয়েং চংগনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোঙদোকখি। রাজ্য অদুদা বি.জে.পিনা সরকার পায়রবদি হোস্পিতাল মেদিকেল কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিতিশিং শেমগৎনবা মাংজিল থানা থবক পায়খৎকনি হায়না শ্রী মোদিনা মখা তাখি। রাজ্য অদুদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-সেবোকে-রংপো রেল লম্বী শেম্বা লোইশিল্লক্লে। মসিনা সিক্কীমবু রেলৱে নেটৱার্কনা শমহন্দুনা তুরিজম, লল্লোন ইতিক অমসুং মীয়ামদা থবক ফংহনবদা খুদোংচাহল্লগনি।

**নারি শক্তিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দেল্লিদা পাঙথোকপা নারি শক্তি ভন্ধন সম্মেলনদা ৱা ঙাংগনি। লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা নুপীশিং হেন্না শরুক য়াহন্নবা ৱাখল্লোনদা জাতি থাক্কী কনফরেন্স অসি পাঙথোকপনি। মফম অসিদা পঞ্চায়েটতগী সংসদ ফাওবদা লৈঙাক সাসন অমসুং লম কয়াদা নুপীশিংগী থৌদাংগী মতাংদা খন্নগনি। লোয়ননা, দিসিজন মেকিংদা নুপীশিং হেন্না য়াওহনবগী মতাংদসু খন্নগনি। মীফম অসিদা সরকার, একাদেমিয়া, সাইন্স, স্পোর্টস, ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপ, মেদিয়া, সোসিয়েল ৱার্ক, কলা সংস্কৃতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা শকখঙলবা নুপী কয়া শরুক য়াগনি। ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা চংশিল্লিবা খোঙজংদা নুপীশিংগী থৌদাংগী মতাংদা খন্নগনি।

**য়ুথঃ** য়ুথ এফিয়র্স অমসুং স্পোর্ট মন্ত্রালয়না শিনদুনা ঙরাং মেরা য়ুভ ভারত প্লেটফোর্মগী খুথাংদা নারি শক্তি য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা লৈবাক অসিগী জোন ১৭ তগী নহা ওইরিবা নুপী লিশিং ৭ হেন্না শরুক য়াখি। মসিদা ষ্ট্রকচর দেমোক্রেতিক পার্তিসিপেসন অমসুং নহাশিংনা লুচিংবা পোলিসি দাইলোগ পাঙথোকখি। লৈবাক অসিগী গনতন্ত্র অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী

মরুওইবা ৱাফমশিংগী মতাংদা একাদেমিক, সোসিয়েল অমসুং রিজনেল বেকগ্রাউন্দ লৈবা নুপীশিংনা প্লেটফোর্ম অসিগী খুথাংদা খন্নখি। মীফম অদুদা লোক সভা কেন্দ্র ৫৪৩ দগী ৮১৬ তা হেনগৎহনবা অমসুং নুপীশিংগীদমক চাদা ৩৩ সিট রিজর্ভ তৌবগী ৱাফম প্রেস্তাপ তৌরিবা কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৬ শৌগৎনবা পুন্না ৱারেপ লৌখি।

**মুরমু ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী গুজরাত অমসুং মহারাষ্ট্রগী নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। শ্রীমতি মুরমুনা ঙসি গুজরাত্তা থুংবগা রাজকোটতা লৈবা এইমসকী অহানবা কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি। হয়েং রাষ্ট্রপতিনা গান্ধিনাগরদা লৈবা লোক ভবনদা ডাঃ বি.আর. অম্বেদকরগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা সমাজি সমরাসতা মহোৎসবতা শরুক য়াগনি। তুংদা রাষ্ট্রপতিনা গান্ধিনাগরগী রাষ্ট্রিয়া রক্সা য়ুনিভর্সিতিগী মঙাসুবা কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি।

যুমশকৈশা নুমিৎতনা রাষ্ট্রপতিনা এইমস নাগপুরগী অনিসুবা কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি।

**তামিলনাদু ঃ** তামিলনাদুদা ভোৎ খোন্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক লৈজবী থাদুনা ভোৎ খোমরি। কালেনগী নুংশা শাবগী অৱাবা কয়া মায়োকরবসু মীয়ামগী মীতিনশিং পাঙথোকপা, রোড সো পাঙথোকপা অমসুং ষ্টার কেম্পেন্নর কয়ানা মীয়ামগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। মরক অসিদা ইলেক্সনগী ওফিসিয়েলশিংনা মীরেপশিংগী এক্সপেন্দিচরশিং কুপা য়েংশিল্লি। এ.আই.এ.দি.এম.কেনা লুচিংবা এন.দি.এ কাংবুগীদমক কেন্দ্রগী মন্ত্রি কয়া ভোৎ খোন্বা য়াওরি। দি.এম.কেনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুগীসু রোড সো অমদি মীয়ামগী মীফম কয়া পাঙথোকরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ষ্টেটকী হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা য়ুনিয়ম হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা উনখিবা, ত্রোংলাউবীগী থৌদোকশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পাক শন্না খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ অমসুং সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লিবা কুকিশিংগী মরক্তা নাপাক তানরক্লে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, মণিপুর মেল, গানফিউ মেল অমসুং তামেংলোং তাইমস পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

খোঙজং চংশিন্দুনা উখুল লম্বী থিংলুরে, উরিপোক মাইকৈগী য়াল্লবা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ চৎখ্রে হায়বা পাউ অমসুং ইন্তরনেসনেল দ্রগ ত্রাফিক্কিংগী অচৌবা নেটৱার্ক অমা থুগাইখ্রে হায়বসিনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি ।

গোবিন্দাসনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা উনখিবগী পাউ অসি- পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- পিপলস ক্রোনিকল অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা লামাইদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

এন.আই.এদা শিন্নখ্রে হায়না তুমিন্না লৈথোকপা চুমদে, ত্রোংলাউবী

থৌদোক্কী লংলা লংজিল পুথোক্কদবনি হায়বা পাউ অমসু- পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি থৌশাদবনা মীয়ামদা হেন্না খোইশাওনহল্লে হায়বা অমুকোগী ৱাফম- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সেপরেট এদমিষ্ট্রেসন তাল্লিবা কুকিশিংগী মরক্তা নাপাক তান্নরক্লে, নেমচা কিপগেন ফমদগী রিজাইন তৌনবা তকশিনখ্রে হায়বসিনা- নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মোইরাং পুলিস স্তেসনদা কেস এফ.আই.আরগী কোপি পীয়ু হায়বদা পীবা ঙমদ্রেঃ খাইদেম মনি হায়বসিনা- হুইয়েন লানপাডগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকিনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পামদ্রে হায়বা পাউ অমসু- সনালৈবাক্কী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

ত্রোংলাউবী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অঙাং অনিগী মমানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- অতৈ পাউচে অয়াম্বদসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

ইম্ফাল তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ত্রোংলাউবী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা পাক শন্না খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ- গানফিউ মেল অমসুং তামেংলোং তাইমসতা ফোঙলি।

সেনাপতিদা নোর্দণ মরাম অমসুং সাউর্দণ অঙ্গামিনা মচিন মনাও ওইবগী চহী ১০০ শুবা থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

**---পাউ লোইজরে---**